

# বসন্ত কুন্নিপালগৌলেরাং



এ.কে. শেরাম

Scanned with CamScanner

# বসন্ত কুন্নিপালগী লৈরাং

এ, কে, শেরাম

Scanned with CamScanner

BASANTA KUNNIPALGEE LEIRANG

A Collection of Manipuri Poems

By

A. K. SHERAM

Price. TK. 10·00 only

অহানবা থোংবা ঃ

য়াউশ', ১৩৮৮

মার্চ ৯, ১৯৮২ ইং

(কুমিলাল শুধা ইপোক নুমিৎ-য়াউশং, '৮৭ নিংশিংবদা থোংবা)

স্বত্ব ঃ অইবগী

লেংবা মতম ঃ ১৯৭৬ দগী ১৯৮১

অথোংবা ঃ

বাংলাদেশ মনিপুরী সাহিত্য সংসদ,

তপোবন, লামাবাজার, সিলেট।

বাংলাদেশ।

মখুম ঃ এনায়েত হাসান মানিক

ব্লক ঃ লিপিকা এন্টারপ্রাইজেস।

নম্বগ ঃ মেসার্স মক্কা ছাপাঘর,

স্টেডিয়াম রোড, সিলেট।

বাইন্ডিং ঃ বাঁধাই ঘর,

পূর্ব জিন্দাবাজার, সিলেট।

মমল ঃ

লুপা তরা।

কৎচবা

লাক্লদবা মতমগী ঈয়াইদা

ঈচংথোৰবা ঈপোমগুম

মৈতৈ সাহিত্যগী অচানবা মপাল্লী ওইবগী

অচেৎপা ৰাশক্লী ফীৰান পায়হনা

বাংলাগী মৈতৈ সাহিত্য লৈকোল তম্না

খোঙফম চেংলবা খোঙথাংদা খোঙশাল্লক্লিবা

খোঙমীশিংগী মফমদা।

| | |
|---|---|
| ইমাগী মুখং | ১ |
| খোংজী | ৪ |
| লাইশি ফী-মা লেপনি | ৫ |
| কেলেঙগী অহোংবা থিগু | ৬ |
| হৌজিগি মতমদি ঐগী কবিতাগী লৈতেঙলমা | ৯ |
| থশিবনি মাওমা মাওমা | ১৪ |
| থাকবা | ১৬ |
| হায়ী | ১৭ |
| অমগা অহিংবা | ১৮ |
| ভায়াগোলাপ | ১৯ |
| ষ্ট্রাক-আউট খোইবো অমসুং চিংখৈ | ২০ |
| নংগা ঐগা উমবা মীংকুথ্ণা | ২৪ |
| থেমবা | ২৭ |
| মোংখবু ঐনা লৌনিংবনি | ৩১ |
| থেঙবা | ৩২ |
| ঐ | ৩৫ |
| যান্ত্রিক | ৩৬ |
| খোৎলৈ | ৩৮ |
| ঐগী মীংকৌ লৈ-না | ৪০ |
| মঙ মঙশি মঙ | ৪১ |
| কবিতা অমগা হৈগে হোংনকপা | ৪২ |
| হো নোং চুপথকলো | ৪৩ |
| মিচুংশংদি ঐনা কবিতাগী লৈকোল | ৪৪ |
| খোংজাঙি মোংমোংক চীংখোং তম্রা | ৪৫ |
| নগোইময়ুমজ ঐগী কবিতা পুস্তক | ৪৭ |
| নাপম | ৪৯ |
| উমং মনে তামথ | ৫০ |
| ঐগী পৃথিবী | ৫১ |


Scanned with CamScanner

# ইপোক নুমিৎ

ঙসি ঐগী ইপোক নুমিৎনি—
পুন্সিগী লানফমদা লান্দারকপা নুমিৎ,
পুন্সিগী কুন্নিপাল শুবা ইপোক নুমিৎ।
নুমিৎ খুদিংদগী তোপ তোপ্পা শক্তম লাংওন অমা লৌহুনা
থোরকপা ঙসিগী অয়ুক্কী কোরৌ মশেকনা ঙৈরকপদা
বসন্ত কুন্নিপালগী লৈরাং লৈনম্মা তনিকহনখি ঐগী থম্মোয়,
ইঙ্গিন ষ্টার্ট তৌহুনা পোটিকোদা লেপ্লিবী তনৌরবী ক্যাডিলাকপুম্না।

মনমদা ঙাওরবা ঐনা
ঐগী অতিয়াগুম্না পাক্লবা থম্মোয়গী লৈকোল'নুংদা চঙহুনা
থিজখি মনমগী লৈরাং অহুবু,
খোয়াই তোর্বান্দা লেপ্তুনা
সুরমা বোরাক চন্দ্রনদীগী ইতিনফম
বঙ্গোপসাগরগী পাক্লবা তম্পাক্তা
থেল্লরিবা থম্মোয়গী অর্ঘ্য ময়ামগী মরক্তা
মতমগী ইচং থোরবা খোঙমী ঐস্থ
ঐগী থম্মোয়গী লৈকৎ অমা তমজগে হায়না।
অহুবু লৈরাং পাম্বীনি হায়না মনাক নকশিল্লুবদা
লৈরাংদি ওইরমদ্রহুনা
যুগ কয়া চুপ্পা ঐনা ঙাইজরক্লিবী ঐগী নুংশিবীহু ওইরম্লে,
লৈরাং মশানি হায়না খুৎ তিংথোক্লুবদা
নুংশিবীগী পুম্বমুম্নরবা পাম্বোম ওইরম্লে,
লৈরাংনক্কি হায়না হেক্কে তৌরুবদা
নুংশিবীগী মিৎস্না থম্বাল ওইরম্লে;
অহুগা লৈরাং লৈনমদি

নুমিদাংগুম শন্দোক্লিবা মাগী চোইজাইনরবা শম্লাংগী
চেংহী অফুৎপগী মনম ওইরম্লে,
হরাও তুজুংননা ঐনা নিংথৌখোংগী চন্দ্রসখীগুম
কোনশিঙ্গগে তৌরুই ঐগী নুংশিবীবু।
অদুবু মোমোন মীৎয়েংনা অমুক্তং য়েংঙম্লগা
তুং হন্দোকখি মাদি।
নিংঙমহৌদ্রবা ঐনা ইদোম্নতা শোঞ্জখি —
থাজদবা তৌম্ন নুংশিবী,
থম্মোয়গী মমল পিবদা কবি কনানস্থু কৈদৌঙৈদা তুংওইনদবনি,
থম্মোয়'মগীদমক থব্রায় থাবদা কবি কনানস্থু নিংহন্নদবনি।
লাও নুংশিবী, 'নাক্ত লাও—
পুন্সিগী ঙম্লবা চীংচেপ্পুদগী কুমথরক্লো লাও
থম্মোয়গী 'নাক য়ৌরবা থম্মোয় অমা ওইররো,
ঐখোয়'নীগী থম্মোয় লল্লোনবগী কারবার অনি
মতমগী পল লান্থোক্তুনা শন্দোকহল্লসি মালেম শিনথুংনা।
মাগী চুমথাং মাল্লবা মচিম্বালগী লীরুংহুদা
মোমোন মীনোক্কী তেংগা থোংহুনা কাপথোকরকপগুম তৌখি ঐঙোন্দা,
মদুবু ঐনা ঐগী প্রস্তাবক্কী অয়া চে'নি হায়না লৌজরুই।
হরাওনা চঙশিল্লই মনাক্তা।
য়েংখংলুবদা মশা মরেংনা থল্লবা
ঙাঙজুনরবা লৈরাংনা পূঙলবা কৃষ্ণচূড়া পাম্বীনা
মোমোন নোক্তুনা লেপ্লম্মী।
ঙহাক ঙকচানখি ঐ।
নামিবা মলয়াগী পিক্ক' ইথিন অমদা
কৃষ্ণচূড়া অনীথক মপুন্সি লোয়রহুনা কেল্লকই লৈমাইথক্তা।
মথম্মোয় মপাহুদা কুৎতক তৌরবা
ঙাঙজুনরবা লৈরাং অনীহুবু নুংশিনা খুঙ্গৎচরুই লৈমায়থক্তগী,
বুলেটনা শোক্লবা বরকত সালামগী ঈ-না ঙাঙলবা থম্মোয় ওইরম্মি।



Scanned with CamScanner

নিঙবা কায়রহূনা মতমগী ঈরৈ'নুংদা লংথখিগে তৌরুই,
অহুবু খুদক্কুদা ফাওরকখি কৃষ্ণচূড়াগী মিরবা থোঙ্গেল—
ইমা নুংশিবগী বেদীদা কংথোক্লুবা ঐথোয়গী থম্মোয়'সিনা
কবি নঙগী থম্মোয়দা করিম্ব য়াথল পোৎহন্দবরা ?
কবি নঙগীদি মায়কৈসিদা করিম্ব নথৌদাং লৈতবরা ?
শুক্লবা উমংদা থোঙ্গেল অমনা থোম্থাং লিশিং থোকহনবগুম
ঐগী থম্মোয়গী মীচিক মীরাওখোল তাক্রবা শুক্লবা কা'হুদা
য়াহং অনীহূনা তত্তনা য়ৈররি য়াহং লিশিং থোক্কুনা।
অহুভৈ পুকচেল শেংব্রবা মীওই কয়াদংনা নুংশি হৈতনা মুনবিখিবা
ঐগী অপোকপী পলেমগী থম্মোয়'নুংগী থোৎল' য়াবাহুবু
অকাওবগী লৈরোল'নুংদগী কনবীবা ঙম্বরা ?
হৌজিক ফাওবা মীরোল মীরি শেংদনা লৈরিবী
ইমাগী খোঙ্হোক্তা থোকহনবা ঙম্বরা অশেংবা য়রোল ?
ফাওহনবা ঙম্বরা
থায়নগী মোৎলবা মল্লবা শেগায়রবা কান্থনা
কীরক খুমজিল্লুনা লৈরিবী ইমাগী মায়থোংদা মতমগী মঙাল ?
ঙমদ্রি—
ঙমদ্রি —
ঙমদ্রি ।
অহৃগা করিগীদি হৌজিক ফাওবা নিঙাইদনা তুমথুন তাল্লি ?
পাউথুন লৈব্রবা য়াহংনি।
হৌজিক্তা ভাব তাবা ঙম্বকলি
করিগীনো ঐনা যুগ কয়া চুপ্পা ঙাইজরক্লুবা নুংশিবীহূনা
শক্তম উৎলমহূনা থৌরাংবা পোকহল্লয়গা তুমিন্না চিকমাঙনখিবা,
হৌজিক্তা অর্থ লৌখৎপা ঙম্বকলি
মাগী ঙসাইগী অথুপ্পা মওংগী মোমোন মীনোক্কুগী।
খুৎতা পায়রম্বা পিরাংনা চোৎলবা কৃষ্ণচূড়া অনীহুবু
নুংশিনা চেজেৎ কোনশিঞ্জখি থম্মোয়' নুংদা।

# খোঙমী

মতমগী খোঙচত্তা ঐহাক লেপ্নাইদ্রবা খোঙমীনি
লেপ্তুনা চৎলি ইতিহাসকী পাক্লবা লামায়দা।
নোংমা চৎলম্মি খঙহৌদনা হৌগ্রবা পুন্সিগী তোর্বান্দা,
কোয়রম্মি কৌক্রু চীংগী চীংখোঙদা.
ঔগ্রী জগোই শারম্মি
লাইরেম্মা চথা খোংচোন্নুগা লোয়ননা।
চঙশিন্নুই অতৈসু শোঙলবা উমংদা
ৰাখলগী লুরবা ইরোন্নুংদা --
উন্নরম্মি পাখংবগা সনা ফাংখোঙ কোয়রিঙৈদা।
অশাও-মৈরিনা পাখংববু মাঙহল্লগে থৌরাংলবদা
থান্নম্মি চিংঙু অশীববু লাইরেম্বী নিপালগা লোয়ননা.
'কেক্রে কে কে মো মো য়াঙ্গোই শম্বা শ্যাও শ্যাও' হায়হুনা।
হিয়াং তান্নরম্মি তাউরোই নাইগা
শান্নরম্মি শগোল কাঙজৈ চিংঙু মারজিংগা.
হরাও মথোই-কারম্মি কাং শান্নবদা ইঙৌবা পান্থোইবীগা।
খোঙমীনি ঐহাক্তি মতমগী খোঙচত্তা
লেপ্তুনা চৎলি ইতিহাসকী পাক্লবা লামায়দা।

লোয়নরম্মি মোইরাং চন্থ থোইবীগা লোই থারবা কান্দা
থৱায় থারম্মি থম্বালনুগা ৰাংব্রেল থিঙেন থিংবদা,
ভাগ্যচন্দ্র ঈনিংথৌনা মহারাম জগোই কৎপদা
য়াওরম্মি ঐসু গোপী অমা ওইহুনা।
ইরৈবাক ঙাকপগী লান্দা থৱায় থাখি ঐসু
পাওনা, থাঙ্গাল, চিংলেন সনাগা লোয়ননা,
অহুবু শিখিদে ঐদি—হল্লকখি অমুকসু মালেম্বু নুংশিহুনা।
খোঙমীনি ঐহাক্তি মতমগী খোঙচত্তা
লেপ্তুনা চৎলি হৌজিকসু অনৌবা ইতিহাসকী মচাক থিহুনা।

বকুলৈ/৪

Scanned with CamScanner

# লাইদি মী-না শেন্থনি

লাই নীংবনা লাই
মী নীংবনা মী
লাইস্থু লাই
মীস্থু মী।
মীদি লাইনা শাবনি।
ঐদি মী নি
মী মী মী
খোঙ পানবা খুৎ পানবা
মীৎ নাকোং বুদ্ধি লৌশিং
থব্রায় পানবা মী।
ঐ লাই নীংদে
উকংনা শাবা - চরুনা শাবা লাই,
মীৎস্থু পান্দবা
খোঙ খুৎস্থু পান্দবা
বুদ্ধি লৌশিং থব্রায় য়াওদবা লাই।
ঐদি মী নি
লাইনা শাবা মীনি।
ঐদি মী নীংঙি—মীগী মনাইনি।
জগৎসিদা মীনা অশেংবনি
মী তন' মরূনি - মীতনা অচুম্বনি
মানি-মানি মানি –
মী মী মীতনা অথোইবনি।
অং অচুম্বনি,
লাইদগী মীনা চাওই
লাইদি মীনা শেম্বনি।

বকুলৈ/৫

Scanned with CamScanner

# কেলেণ্ডরগী অরোয়বা বিন্দু

মৌসুমী নুংশিৎনা ফুহুনা
কবি নজরুলগী ফোটো য়েকপা
ঐগী কেলেণ্ডরগী চে'না 'পূম্বা
মপুন্সি লোয়হুনা মথং মথং কেনখিহুনা
অরোয়বা বিন্দুদা হেক লেপ্পবগা
নিংশিংলকই ইমা নঙবু
নিংশিংলকই নঙনা হায়থিবা—
'শজিবু খুদিংগী য়ূমদা হল্লকউ।
থবক্কী মতুঙ ইন্না
যাহা মফমদা যাহা হায়না লৈরবসু
শজিবু'সিদদি য়ূমদা নংঙো লাও।
হৌজিক্তা উখিবা ছবিগুম
ইমিৎসিদা শং শং উরি
ইমা নঙনা শজিবুগী মমাঙগী নুংদাংহু
ঐখোয়বু হেক তূমহন্দনা লেলহনবা
শজিবু লাইনা শিংথেকপদা য়াওদনবা হায়হুনা।
নোং হেক ভানবগা
অয়ুক ঙন্তা হৌহুনা
ইমুঙ মনুঙ শিৎতোক তৈথোক্লগা
শেংনা ইরু মাইথজহুনা
ফিরোল অশেংবা শেৎলগা
কুন্তীনা শিব লাৎপগুম
সনামহী খুরুম্বগী পোৎ-চৈ লাঙজবা।
ঐখোয়বুনা—
চহী'হুমা অনায়েক তৌদনবা
য়ূমলাইগী চানামৃত পিথকপা—

খুৎতা তাবিজ শিবিবা।
মথেল চামা নিপালমক শুদ্রবস্থ
নিপালতনা শরুতুনা
লাই-তীনদা থাদোক্লগা ঐখোয় ময়াম্ব, পিজবা,
'অখাবা ঙৌবত্থ চাওকো চহী 'মগী হৌনবীনি'
হন্না হন্না পাওমেনবা.
কাউদেকো ঙসিফাউবা ঐনা।
চানা চানা চাদ্রবোই – ইচাসিদি থম্ব্রবোই
বাজা বোড়ানা চিংবা হাপচিল্লকপা,
হকচাংগী খল্লবদা অমুকস্থ
'থোইনা হেন্না চাশিনগন্নু'– পাখৎতুনা পাওমেনজবা
ইমা নঙগী মূর্ত্তিদো শং শং উরি ইমিৎসিনা।
শজিবু কয়া শুরবা ঐনা যুমদা চৎত্রিবা,
তাল্লবা মীরৈবাকসিদা করম হায়না লৈরিবা
ইমা নঙনদি খঙদেদো !
চিঠি ইবা খুদিংদা –'ফরি, অনায়েক লৈতে'
অসিদনিকো ঐগী চিঠিগী মরোল।
অহুবু নুমিৎচুপ্পা লূ-য়াঙ তেকপামখৈ
থবক নোম্নুরবা হকচাংসিনা নুংদাং হেক ওইবগা
শজিবু জাগরণ নুমিৎনি
য়াইরেকত্রবদি লাই শিংথেকপদা য়াওখিনি হায়বগী
করিমত্তা খল্লদনা
য়ুঙাওনা সোড়োক ময়াদা লমশিদোনা তাবগুম
ইশি শিনা নাখোকলম্মি মল্লবা ঐগী ফমুং'থক্তা।
য়াহৌ থেঙনা হৌগৎলগা
আঃ ইমা ঐখোয়দা লাকপি
ভিক্কানিবি নুপীহুগী মচানিপা পিশকতুনা
অক্ লাউরবা মুংশাদা মুশুক মুনা কাহৎপমখৈ



Scanned with CamScanner

ভিক্ষা নিহুনা কোয়বগুম
ঐস্থু নুমিৎ চুপ্পা'মা
শহরগী মচি মচি কয়াদা কোয়হুনা
থীরুই 'কেরন'গী তুংইনবা খোঙমীশিং
খোঙগুন লীরুই ঐ ইশাবু ইশানা।
কুমসিদিনে ইমা
শহরগী লম্বী লমথোং কয়াদা কোয়রিঙৈদা
শজিবুনি হায়বা নিংশিংলক্তুনা
তাদ মঙ্গীখোইগী হোটেলদা চঙহুনা
লূপা অমগী বোড়া চারুই
ইমা নঙনা পিজখিবা বোড়াশিংবু নিংশিংহুনা।
সন্ধ্যাদস্থু, থবকতগী হক্লকপদা
লৈহাউখোয়গী ইন্দোলহুনা নুংশিনা কৌশিন্দুনা
শজিবুগী তল পিজৈদো।
কয়াদ নুংশিজগ্রবা ইন্দোলদো
হেক উবদা মশক্তো নিংশিংলকইদো ইম্বা নঙবু।
ইমা নঙনদি ৱারোৗরি
কাংজমগী রবিদি, লাইশ্রমগী তনুদি
শজিবু খুদিংগী য়ুমদা লাকই।
ঐস্থুনে ইম', শজিবুদা লাক্লিংঙিবনিনে য়ুমদা।
অদুবু ঐগী পুন্সিদদি শজিবু হায়বদো লাক্ত্রমাল্লে,
ৱাকচিংগী খারবা উল্লেনগী
অহিংতমক ওইহুনা লৈরে ঐগী পুন্সিদি।
অদুবু ঐগী পুন্সিসিদা
লাক্লরোইদ্রা অমুক শজিবু।
ঐগী কবি নজরুলগী ফোটো য়েকপা
কেলেণ্ডরগী চে'না পূম্বা মথং মথং কেনখিহুনা
অমুক্তদি লেপ্পরোয়দ্রা অরোয়বা বিন্দুসিদা।

# বন্দীনি নঙদি ঐগী কবিতাগী লৈকোলদা

নুমিদাং লিশিং কয়া পাইদুনা চৎখ্রে, অমুবা মশা খপ্‌নুনা
লিশিং লিশিং অয়ূক-নুংথিলসু ভুং ইনখ্রে মাগী
তঙলগী থাউমৈ থান্দুনা
যুগ কয়াগী অমম্বা পল কয়া লান্থোক্তুনা
থুংঙরে ঐদি ঙসি নিংশিংবগী তোর্ব্বান্দা
নঙগী নুংশিবগী পিক্ল' ৱাকৈ হিনাওদা তোংদুনা

ঐদি কবিনি
ঐ কবিতা ই
অদুনা নুংশিবা ঙম্মি ক্বাকলৈবু
নুংশিবা ঙম্মি য়েৎতুম অমবু—তিংথৌ অমবুসু
নুংশি নঙবুসু
তিংথোক্লি অদুনা খুবাম তরা নঙগীদমক্তা
নুংশিনা - তরাম তরান্না

খঙভি, ক্লিওপেট্রাদগী হেন্না ফজে নঙনা
নঙগী মীনোক মোনালিসাবুসু ইকাইবা পী
নঙগী মীৎতা লৈ তাহিতিগী শুক্ষৎঙম্বা মায়া
পৃথিবীগী ভাওহনঙম্বা অশাবা মহী'পুম্বা
লোইনা থক্লবসু ভাওরোই অদুক হাক্লা
নঙবু মীকুপ'মতা উবদা ভাওবগুম

খঙভি, নুংশিববু নঙদি থাজদরে হৌজিক

নঙগী মীৎয়েংদা—নুংশিবদি কুম ওনবগুম্নি
ঙসি বসন্তগী ঙাওচৎনরবা লৈ-গী কুঞ্জদা
রি রি শিৎলিবা মলয়া
হুয়েংদা ওইগনি ইংথম থাগী ত্রৎ ত্রৎ লাউবা নুংশিৎ
নঙগী রাখলদা—
নুংশিবসি মীৎকুপকিনি
নুংশি হায়বসি চিনথীবগা অক্মানি
হৌজিক্তা পাইখৎখিবা 'এ্যারোপ্লেন' গুম
অতিয়া'নুংদা মাঙখিগনিদা খঙবা নুংশিবনি
শা'জাহানগী তাজমহল উরগা
নঙদি ইরাই লায়না হায়দোকই—ইনাক খুনবগী হৌনশানি
অহু'পুম্বা খঙনা খঙনা
নঙবু ঐনা নুংশিজরুই
নঙগী দমক্তা নিংঙাইদনা হাংদোকচরুই
ঐগী থম্মোয়গী থোংনাও মচা

ঐদি কবিনি
লোলগী লৈকোন্দা
রায়েক্কী লৈরাং চাইথাইহুনা শান্নে ঐদি
অহুম্বা ঐগী শাঃপোৎচৈ ওইবা
নুংশি নুংশিনা হেকচরকপ লৈরাংগী পরেংনা
পুনথ্রবনি নঙবু লোন্না—তুমিন তুমিন্না
অহুনা নঙদি খঙগ্নোয়
নঙ কৈদোৌঙৈসু ঐগী রাহৈগী চেকপল
নমখায়হুনা চেনবা ঙম্মোয়
চেনবা ঙম্মোয় -

ঐগী কবিতাগী শারংদগী নাম্বোক্তুনা
ঐগী নুংশা শোরনা
নঙগী তুখোঙ তুখোঙ খুদিং শোক্লা
নঙগী শিংলি খুদিংদা চেল্লিবা
ঈরিক'পুম্বা শোক্লা মতম'পুম্বদা হোল্লি
ঐগী কবিতাগী ৱাহৈ'পুম্বনা
খুৎলায় পায়বা য়ারেক শান্ত্রী ওইহুনা
মায়কৈ মরিদা ঙাকশেল্লি নঙবু

চেনবা ঙম্মোয়
নঙ কৈদৌঙৈস্ত্র চেনবা ঙম্মোয়
বন্দী ওইরবনি নঙদি ঐগী আত্মাগী কৈশুমশংদা
পুনখ্রবনি নঙগী খোঙ-খুৎ চেনঙম্বা পাঙ্গল
ঐগী ঈশৈগী স্বুরনা - ৱাহৈগী লৈপরেংনা

নঙনদি খঙদে
কবিগী তাজমহল শা'জাহানগী 'তাজ' নত্তে
মী লাক্সা কুননা চহী কুন্নিথোইদা
শেম্বা ঙমদে কবি'মগী তাজমহল
কবিগী 'তাজ'দি অঙৌবা নুংগী নত্তে—
থম্মোয় শোকপা পিরাংতনা শেম্বনি
অত্তুনা কবি'মনা মাগী 'তাজ'গী থাক অমম্মম শেম্বদা
চহী লাক্সা লাক্সা কয়া ঙাইবা তাই
মরমদি
পিরাং হায়বসি
যুগ অমা ওমচারুরক্লবা থম্মোয়গী



Scanned with CamScanner

চাকথেক্লবা আত্মাগী শিংলিদা চেনবা ঈ-নি
নঙনদি খঙদ্রবনি
ইনাক খুনবশিংনা যুগ যুগ হোৎনহুনস্থ
থিবা ফংদ্রবনি অহুগুম্বা পিরাং মরীক'মত্তা

হোয়নে, করি হায়নস্থ খংঙুনি
নঙদি পুন্সিসিদা কবি অমত্তস্থ থেংনরক্তি
কবি কনামত্তবুস্থ নুংশিরুদ্রি নঙদি
অহুননি নঙনা খঙদ্রিবা
নঙগী মায়থোংহু হেক উবদা
লম লাপ্পা চাক্তারুহুনা হল্লকপা উচেক্লুম য়েংখৎলকপা
নঙগী মিৎম্নাহু হেক উবদা
নিংশিংলকই নাটোরগী 'বনলতা সেন'বু
ঐগী থম্মোয়গী থোংনাওশিংহুদা
উরু উরু হুমজিল্লক্লি অঙাওবা নুংশিং অমা
'লূ' নত্রগা 'টাইফুন'গী মতৌগুম্না
মফম খঙদবা তৌফম খঙদবা
ফিবম অমা হেক্তা ফাওরকই থম্মোয়'নুংদা
করিনো অসিবু
অসিবুরা নুংশিবা হায়বদো
ওইবা তাই—শোয়রোই
অহুননি ঐনা বন্দী তৌরুরিবা নঙবু
থম্মোয়গী কৈশুমশঙদা
তিংথোক্লুরিবা খুবাম তরা নঙগীদমক্তা – খোঁরাংনা –

চেনগে খল্লুগন্থ



Scanned with CamScanner

চশ্মোয় – হৈকোইকৈফু চশ্মোয়

ঐদি করিনি

চীং-তম – শংবানবা অতিয়া

পাক্লবা মমঙ্গ লেপ্লাইরবা থুংশিং

লোইনা ঐগী খুনাম মশুংগনি

নংগী চেনফম হৈদে – লোংফম হৈদে করামনু

নংদি ঐগী বন্দীনি

বন্দীনি ঐগী আশাগী হৈতুমশংবা

ঐগী তাজ'গী পিরাংলক্তা

কবিতাগী হৈকোলবা

হাইগী শাস্ত্রীশিংগী থুংতা

★

# ফম্মিন্নসি মাঙগা মাঙগা

মেরা থাবলগী ইপোম'মুংনিদা
নঙ মপালদা থোকখিগনুকো ;
ফম্নু্নুকো নঙ বোগেনভিলিয়াগী লৈকোলদা
নত্রগা হাস্নাহেনাগী মোংসোংদা।

মরমদি—
লৈরাং হায়বসে নোংইনগুম্বনি
থাবলগী ইপোমদা তাউরিঙৈদা
হন্না য়েংবিরম্মোইকো নঙবু।
অদুগা, থাবল ?
থাজরুন্নু থাবলবুস্নু
মাদি লমমৈ থানবীগী মৈঙালগুম
মীওইবা পুক্লিংবু শুক্ষৎতুনা পুরগা
মঙলানগী চরদা লূপহন্দুনা হাৎপনি।

অদুগী শরুকপুদি
লাও, অমুবা য়ূখলনা কূপশিল্লবা
ঐগী পিক্ল' কা' সিদা ফম্মিন্ননি মাঙগা মাঙগা
শান্নসি লোল থোক্তবা ৱারী কয়া
যুগ যুগ চুপ্না
চিনবানগা চিনবানগা শোরুত্নুনা।
কনানস্নু উরোই—কনানস্নু কৈস্নু হায়রোই।
ঐগী মালেমসিদা কনাস্নু লৈতে

নঙগা ঐগা—ঐগা নঙগতনি
ফম্মিন্নহুনা লৈরিবা মাঙগা মাঙগা
যুগ যুগ চুপ্পা।

আদম অমসুং ঈভনা স্বর্গগী নন্দন কাননদা
গন্দম উহৈ চারিঙৈদসু
ঐখোয়নীদি'হুম ফম্মিন্নরম্মি মাঙগা মাঙগা
ঐগী পিক্ল' কা সিদা।
ইস্রাফিলগী শিঙ্গা থোঞ্জেলদা
ৱান্থখ্ৰবসু মীওই'পুম্বা
ঐখোয়নীদি'হুম ফম্মিন্নগনি মাঙগা মাঙগা
শান্নগনি লোল থোক্তবা ৱাবী কয়া
অমুবা য়ূখল মরুমসিদা
চিনবানগা চিনবানগা শোক্লহুনা।

অনর্নি হায়রিবা
মেরা থাবলগী চিঙ্গিৎ হোদ্রবা নোংগী মরকসিদা
মপাল থোক্তুনা বোগেনভিলিয়াগী লৈকোলদা
নত্রগা হাস্নাহেনাগী মোংসোংদা ফম্মুগদৈ শরুকপুদি
লাও ফম্মিন্নদি ঐগী পিক্ল' কা' সিদা
মাঙগা মাঙগা ওনশন্নহুনা ;
শান্নদি লোল থোক্তবা ৱারী কয়া কয়া
যুগ যুগ চুপ্পা
চিনবানগা চিনবানগা শোক্লহুনা।

❋

## থাজবা

অরানবনি শুপ্না ওইদ্রবা ঙাক্লি ;
হৌখ্রবা ইতিহাসনা হায়রম্বা'পুম্বা লোইনা অরানবনি।
অরানবনি লাক্কদবা মতমগী ঈয়াইদা
শৌগৎলিবা ৱাখলগী কোঙ্গোল পিরিক'পুম্বা।
অচুম্বদি –
হৌজিক্কী লন্নাই ওইরবা মীৎকুপ'সিদনি।
অচুম্বদি ঐ ইশা'সিদনি – মশক নাইরবা কবি অমা
পুন্সিগী মকশিল্লবা লৈমাইদা নিংঙাইদনা হুল্লিবা
কবিতাগী ঈচং থোরবা মরু।

## ৱারী

ৱাক অমনা ৱাক অমদা হায়
ঐখোয়সু কোকিলগুম্বনি—নত্তে কোকিল মক্নি
ৱাক অমগী মতুঙদা ৱাক অমা
ৱাক অমগী মতুঙদা ৱাক অমা
চিবোন চিবোন ঙাঙনৈ ৱাক মশেন্দা
খেক্না খেক্না নোকই ৱাক মশেন্দা
য়াক্না য়াক্না খোংঙি ৱাক মশেন্দা
অদুবু ৱাকতি'সুম ৱাক ওইহৌই—কোকিলনা কোকিল
মরক্তা চেকতুম চাহুনা শিহুনা তোকহৌই
ৱাককী মচা থরদে।


Scanned with CamScanner

## অমম্বা অহিংদা

থামম্নবা অহিংদা
মূশি মূশি চৎলি হামুক তৈরবা মূক্তি খরা।
ভূত প্রেতকী শট্নেমগুম
প্রেক-পাক প্রেক-পাক শউমতমক ফংঙি,
মশকতি থক উদে।
কোইরাওননা ফম্নগা মুরুম মুরুমতমক শোল্লি
শজিবু চৈরাওবদা লাই খুন্দিন্নবগুম।
ঙহাক লৈরগা খাক্না খাক্না নোকই লানঙম মীনোক।
মনাক নকশিল্লবসু ঙমদে কনামত্তা
তমথীরবা মশক্তো উবদা।
নোংঙাল্লগা য়েংঙুবদদি
ঙরাংতা শেমজরম্বা আশাগী শঙ্গাই মচাদো
পূমতোই তোইরম্নে মখোয়না খোঙনেৎনহুনা।



Scanned with CamScanner

# ডায়্যালোগ

নোংমা কোকিল মচা'মগা মমাগা ব্বারী শান্নরম্মি।
'ইমা, ইমা, চরোইসিনা শম ফোইররেনে ঐগী,'
'ইমাগী ইবুংঙো নুংশিবা, মীগী লমনি,
ফোইজখিসনু, ফোইজখিদনু চৈরুনুকো, ঙাংঙনুকো।'
'ইমা, ইমা, ঐবু ঈশৈ শক্কনু,
শক্লবদি শম ফোইগনি হায়রে।'
'তুমিন্না হেক লৈথোকউকো ইবুংঙো,
শক্ল বয়ু কৈদৌগে? তুশোনবনি ঐথোয়দি।'

কোকিল মচাদো ঈশৈ শকপা লেপখি।
অমসুং খরা লৈরগা নুংশিবা খোস্বাং কাউখিহ্না
চরোইগুম্না য়াক্লা য়াক্লা খোংবা হৌখি।

★



Scanned with CamScanner

## ব্ল্যাক-আউট, থোইবী অমসুং চিঙথৈ

থোইবী, লায়র'চনু থোইবী,
হৌগংলো —মিকপল্লো।
নুমিদাংগী হামুক তৈরবা মোৎলবা নমায় অচু
শেংনা তাথোক্লুরো অয়ূক্কী লীক্লাদা—
ব্ল্যাক আউটকী তমথীরবা অহিং হৌখরে
জিরো পাৱারগী অশংবা বাল্বকী মঙালগুম
চিঙথৈ হুল্লক্নে নোংপোক চীংখোঙদা।
তাদ্রিবরা য়াহৌঙনবশিংগী থোঙথাং মনিল্লসে?
তাদ্রিবরা নঙগী নতারোইশিংগী নুংশি শৈদমখোল্লদে?
নঙগী য়ূমথংনবী— অঙাং পিক্লিবৈগী মরূপ কয়া
অনৌবা অয়ুক্কী কোরৌহনববু তরাম্না ওক্লনবা
কনকর্ড, সুপারসনিক জেট, রোকেট তোংহনা
অঙনবা খোঙশানদা নোংপোক চীংখোঙ য়ৌখরে।
নঙনা তুম্লিবৈদা
নোংচুপ লৈকাইগী নঙগী নমান্নবী কয়া
নঙনা হৌজিকসু মঙদা মঙলিবা
অথাপ্পগী থা-মঙ্গলগী খুল কয়া তান্না চৎতুনা
শক্লুরে অয়ূক্কী য়াহৌ শৈশক—
থেৎলুরে অতিয়া থেংলবা চীংদোল কয়াদা
মচু নাইরবা লানঙম ফীরান।
অদি'পুম্বা নঙবু তাদ্রিবরা?
অদো কৈদৌরিবগে হৌজিক ফাউবা—
করি মঙ মঙলিবগে?
নঙগী অহল লম্মন, শাগৈ নাতৈ



Scanned with CamScanner

মতম্মদা অঙম অথৌ ওইরম্মি হায়বগী
নুংঙাইরবা মঙলানচাদা তাউদুনা লৈরিবরা ?
ওন্নরে থোইবী, ওন্নরে।
হৌজিক্তি অচৌ-পিশক নাইদ্রবনি --
জাৎ বিজাৎ খাইদ্রবনি।
য়াহৌঙনবনা অথোইবনি
মাঙ থাবনা কান্নবনি।
নত্ত্রে খোইবী,
কান্নদ্রবা মঙ হুন্দোকলো
শেরান্নবা ৱাখল থাদোক্লো
মহুগী মতম হৌখ্রবনি।
হৌজিক্তি'তুংগী ৱাখল নত্রে
নাক য়েংফাউ য়েংঙোইদবনি
মাঙ পাংনতা য়েংদুনা
তান্নগদবনি মাঙ থাবগী লমজেল'সে।
অঙকপনি থোইবী নঙসে!
করিগীনো হৌজিক ফাউবা
মল্লবা মোংলবা শেগায়রবা কান্থদুনা
নকোক ফাউবা কূপশিন্দুনা কৌবা তাদবমথৈ তুম্লিবসে ?
থোইবী, হুন্দোকখরো নঙগী নমথিরবা কান্থদো
হাইদোক্লো অমুবা য়ূখলদো
হাইগৎখ্রো নঙগী অপঙবগী কাঙখলদো
হাংদোক্লো থোংনাও মচাশিংদো
চংঙক্লমন্ন ওসিদি নঙগী অমম্বা কা'সিদা
অয়ুক্কী অনৌবা মৈঙাল
থাবলগী মেংলবা ইপোম

বসন্তগী নামিবা মলয়া
নিঙতম উচেক্কী য়ারা খোঙ্গেল
নোংচুপ সমত্রুগী ঈরাউখোল।

পাবীরিবা মরূপ,
থোইবী হায়বীসে ঐগী য়াম্না লুনা চান্না খঙনরবা
কনাগুম্বী মুপী মচানি।
মা'দি ঐগী ইচল ইচেম্লু নত্তে
ইমা ইন্দোলস্লু নত্তে
তুংগী পুন্সি লোয়নবী ওইগে খনবা
ৰাখলগী লোয়নবী ওইরিবা
নুংশিজরবী কনাগুম্বীস্লু নত্তেকো।
অদুবু মাক্কা লোইননি—মাক্কা পুন্সিনি।
ঐস্লু মা'নি,
মা'স্লু ঐনি
অদুবু অৰাবদি—
থোইবী হায়বীসে হৌজিক ফাউবা মিকপ থোকখিদরে
আফিং চাদুনা পংথরবগুম
নত্রগা ক্লোরোফরম্না শুস্কৎলবা মীগুম
ঐনা অস্লুপ তোয়না তোয়না কৌর'ফাউবদা তাখিদরে।

নত্তে, থোইবীসে য়াওল্লক্লে—
নমিৎস্লু খরা খরা পাংথোরক্লে।

থোইবী, থোইবী, তারিবরা নঙবু?



Scanned with CamScanner

হোগৎলো —

নুমিদাংগী হামুক তৈরবা মোৎলবা নমায় অদো
শেংনা তাথোক্লৎরো অয়ুক্তী লীক্লাদা,
অছু উখ্‌বদি নমান্নবীশিংনা নোকখিবা তারে।
হোগৎলো থোইবী মিকপলো!
ব্ল্যাক আউটকী তমথীরবা অহিং হোখরে
জিরো পাবারগী অশংবা বান্বকী মঙালগুম
চিঙথৈ হন্নক্লে নোংপোক চীংথোঙদা।

# নঙগা ঐগা উন্নবা মীৎকুপ্তুদা

মাধবকুণ্ড বারুনী নুমিৎতা
নায়েগ্রাগী ঈশিং চাইবীগুম ব' বা চাইথরক্লিবা ঈচেংগী মনাকমকদা
নঙগা ঐগা উন্নবা মীৎকুপ্তুদা—
শওমগী মকোলগুম খজিক্তং হঞ্জিনবা চীংগী চীংচেপ্তা
মাঙগা মাঙগা ফম্মিন্নহুনা
লোল থোক্তুবা ৱারী কয়াদং শান্নরিঙৈদা—
নঙসু ঐসু থম্মোয় লল্লোল্লিবা তাঞ্জাহুমক্তদা
চাওখৎলবা মালেম'সিগী মফম কয়াদা
চাওখৎপগী মিংতাক উপাক্কী মরুম মরুমদা
মী না মীবু হাৎলি—তাহৎলি—তুহৎলি,
ফজবা, নুংশিবা, থাজবা— ৱাহৈশিংসিবু
তত্তনা মুথৎলি মীওইবা পুক্নিংগী লোনগৈদগী ;

থাজবরা নঙবু অনে—
তাঞ্জাহুমক্তদা মরূপ মশেন কায়নরি
নঙগুম্বী কয়াগীদমক্তা,
পাঙলগী ময়াইনা—খুৎলাইগী নাপলনা
লান কয়াদং থৌরাংহুনা 'নরমেধ যজ্ঞ' কৎলি।
অঙকপা নত্রা অসিবু—
মচানা মপা হাৎলি—নুপীনা মপুরোইবা
মমাবু তান্থোকলি মচানা
মপামক্তা ইজ্জৎ য়োল্লি মমোমগী !
কয়ানো হায়গদবা নঙোন্দা।
অসিগুম্বা অমোৎপা অকায়বা নমথীবা ৱারীশিংদে

কয়ানো লিগদবা নঙোন্দা ?
তাঙ্গাহুমক্তদা মরন্নাই ওইজবা থিবা কয়ানা
মজাতিবু য়োন্দুনা লন্নাই মিংচৎ তালহৌরি,
ঐখোয় মশেন্দা মচোই মচোই তাহল্লগা
মরন্নাই ওইজনবা শিলহৌরি।
চাওখৎ খোঙথাং কয়াদা অপনবা পিহুনা
আশাগী য়েন্নিং কয়া খোঙনেৎনরগা
মিহুন চোংদ্রবা থবাকশিংদো ফন্দোক্তনা
ঐম: ঙাইরে হায়না নাপল তৌনরি—
ধর্মগী মিংদা ময়াম্বু আফিং পিজরগা
য়ুথলগী মরুমদা কারবার তৌদগী শিল্লি।
অঙকপনি সেলুকাস,
অঙকপনি মীওইবা জাৎসে !

অতুগী শরূকপুদি
মাধবকুণ্ডগী শেংলবা ঈশিং মরীক চোংঙক্লিবা
শওম মকোল মানবা ঐখোয়'নীগী পিক্ল' মালেমসিনা ফত্রা ?
লোল থোক্ত্রবা ৱারী কয়াদং শান্নরিবা
থম্মোয় লল্লোনবগী শেংলবা মীৎকুপসিনা ফত্রা ?
ৱাস্থ ঙাঙদা—
মীগী অকায়বসু শিনদা
ঐখোয়'নীদা তুমিন তুমিন
থম্মোয়গী মমল থম্মোয়তনা শরুহুনা
পুন্সিগী লোইবা নাইদ্রবা লল্লোন ঈতিক্লিবা।
মানি—অথোইবনি মীৎকুপ'সিনা।



Scanned with CamScanner

অসিগুম্লবা তাঙলবা মীৎকূপ'সিদনা থল্লসনু
ঐখোয়'নীগী হাঙলবা পুন্সি—
ফুম্বংনরিবা ইজাতি মীওই'পুম্বগী ৰাখলগী অতিয়া
মহাসভ্যতাগী লেপ্পাইদ্রবা ঈচেল।

★

# খেন্নবা

মীহাৎপগী অশাওবগা
নঙগী নুংশিবগা
খেন্নবা কদায়দনো -

ৱাহংসিগী পাউথুম ষমগীদমক
অয়ুক-নুংথিল কয়া নুংশিহৈতনা থৱায় লৌখ্রবনি
নুমিদাংগী অমুবা য়ুখল মরুমদা,
নুমিদাং কয়াবুস্ত হাৎখ্রবনি মিন্নুংশি খঙদনা
অয়ুক্কী থৌরবা অরংবা ছুরীনা থিন্দুনা ;
অতুব তশেংবা পাউখুমদি কৈদৌউঙস্তু ফংথিদে।
অশাওবদি—মীহাৎপগী হৌনবীনি
নঙগী হৌনবীনা নুংশিবনি.
অনীমক অন্নানি মাগী মাগী হৌনশানি
করিমত্তা খেন্ননিঙায় লৈতে।
অতুবু ঙসিদি
নুংশিৎ-নুংশা চঙদ্রবা নঙগী-ঐগী অরোনবা কা'সিদা
থোংনাও অমস্তুং থোংজাউ'পুম্বা চেৎনা পৌরোন হাপ্তুনা
নঙগী থম্মোয়গা ঐগী থম্মোয়গা
মাঙগা মাঙগা ফম্মিন্নরবা তাঞ্জাসিমক্তদা
মীহাৎপগী অশাওবগা
নঙগী নুংশিবগা
শাথীনা খেন্নৈ হায়বসি ইনৌ নৌনা ফাওরক্লে।

মীহাৎপগী অশাওবদি



Scanned with CamScanner

মকত্রবা অশাওবনি।
মাগী অশাওবদা নুংশিবগী শরূক য়াওদে
করিমত্তা চিংনবা লৈতে।
অদুগা নঙগী নুংশিবদি
নিংথিজরবা লৈ-দা থীন য়াওবগুম
মেংলবা থাজদা মায়হীং কাবগুম
বৈজ্ঞানিকী সাধনাদসু নীওবা কায়বগী অমকপা লৈবগুম
অদুগুম্না নঙগী নুংশিবদসু অমকপা লৈ,
নঙগী নুংশিবদা তুরুচবগী শরূক য়াওই
মীনম্বা য়াওই – থাজববু মীরায়বা য়াওই।

নত্তে শাওগনু।
মসি ইদোমতগী রাহৈ নত্তে–
ঐগী ইমাঙদসু ঐগুম্না নঙবু নুংশিজরম্বা
পূকচেল অমত্তা ওইনা নঙবু থাজরম্বা
প্রেমিক লিশিং কয়াগী অপূনবা সাক্ষীনি।

মখোয়শিংহুদা নঙনা হায়খিবা
নঙনা ঐগী পুন্সিগী অহানবা নুংশিবনি।
অহুবু ঙসিদি মহু' পূন্না লোয়না মীনম্বনি হায়বা খঙঙে।
খল্লবদা নোক্লিংঙকই—
মখোয়শিংহুনা অঙই মক্লি থাজহুনা মপুক্লিংদা হরাওজখিবা!
মখোয়দসু করি হায়নি
ঙসিদি ইকায়দনা ফোঙদোকপদা করিমত্তা চিংনদ্রে
ঐ ইশামকসু নঙগী চিরোনবা রাহৈ তাবদা
মীৎ তাঙবগুম থম্মোয় শোক্না থাজরূরবনি

ঐসিনা নঙগী পুন্সিগী অহানবা নুংশিবনি হায়বা।
অদুবু লোয়না মীনম্বা ওইরম্মে
চিরোন ফবী নঙগী চিরোন ঙাক ওইরম্মে।
ঐদ নঙগী পুন্সিগী অহানবা নুংশিবা নৎলমদ্রে,
ঐগী মাঙদা নঙগী পুন্সিদা লাক্লম্বা
প্রেমিক লিশিং'তুগী কনামত্তম্ম ওইরমদ্রে।
নঙগী পুন্সিদা অহানবা নুংশিবা কনাগুম্বা লৈরম্লবদি
মতু পৃথিবীদা অহানবা খুন্দাবা
আদম নত্রগা মনু কনাগুম্বা' মা ওইরম্বা তাই।
অদুবু মতু খঙদ্রিবা অপংবা ঐদি
নঙগী চিরোনবা ৱাহৈ তাবদা থাজরুবনা
নঙগী মীৎয়েংগী তেনজিন্না তত্তনা য়ৈশিন্দুনা
ঈ-না পৃমঙাঙ ঙাঙলবা ঐগী থম্মোয়না
মতম' পৃম্বদা থরায় থানিংখি নঙগী থম্মোয়গী মীহাৎবুংদা
নঙগী নুংশিবগী থৌরবা বলি থাঙগী মচিন্দা।
অদুবু মীনুংশি খঙদনা মীরাইবিখি নঙনা
তুক্কচত্নবু ওইরবসু—মীনমতুনবু ওইরবসু।

অতুননি ঙদি ঐনা
ৱারৌরিবসে নঙবু—থাজদ্রিবসে নঙগী নুংশিববু।
ঙসিদি পৃথিবীগী মীওই'পুম্বনা তাহৌনবা
হৌরক্লিবা জীব' পুম্বনা খঙহৌনবা
থম্মোয় শোক্না—খোম্থাং ৱাংনা লাউরম্মগে
নঙগী-ঐগী পুন্সিগী অরোনবা ৱারী অসে—
মীহাৎপগী অশাওবগা

নঙগী নুংশিবগা

কৈদোউঙস্থু অমত্তা নত্তে।

অনী অসি

খেন্নৈ -

য়াম্না খেন্নৈ—

শাথীনা খেন্নৈ।

## নোংদম্ববু ঐনা লৌনম্লবনি

ঐনবু নিংথৌ ওইরগনি
কৈদৌঙৈস্থু মপূ ওইরগনি পাক্ল' লৈপাক'মগী
নোংদম্বনা কৈদৌনুংদা খনখিদ্রবনি।

অদুবু ঙসিদি ঐ নিংথৌ ওইররে
ফম্লরে ঐগী পুক্নিংগী সনা তাংবল'থক্তা
ইনীং ইখা তয়া।
নোংদম্বগী নাপল্লিবা ৱাখলগী মায়োক্তা
মসি ঐগী পোক্লকভৈগী লালহৌনি,
নোঞ্জগনবা নঙগী তুক্কচরবা পুন্সিগী
ইকাই নাইদ্রবা ৱাখলগী মফমদা
ঐগী উশিং থৌওইদ্রবা নাপলনি
মসি ঐগী লন্নাই ওইবা চাউথোকচবনি
নোংদম্ববু ঙসিদি ঐনা লৌনম্লবনি।

★

# য়েক্কবা

ঐগী শিংথাঙমদ্রবা মরূপশিংগী মতৌগুন্না
ঐস্সু ফজবা হায়বদে য়াম্না পমজে—
নুংশিজে—
ঐস্সু ফজবা লৈ উবগা হেক্ত মনম নম্লিংঙি
নুংশিনা হেক্তুনা নাপদা য়েপশিন্লিংঙি
পূর্নিমাগী মেংলবা থাজ উরগা
শুক্লাৎপগুম য়েংহুনা লৈনিংঙি
লমজাওদা শক ফজবী কনাগুম্বী লৈশাবী হেক উবদা
মীৎ কুপ্তবামথৈ য়েংহুনা লৈনিংঙি ;
অহুবু নঙগী হেলেন মানবী শক অহুবু উরুরবদি
পুক্লিংদা অকিবা অমা হেক্তা পোক্লকই
নঙগী ফজবা শক্না নঙগী য়েক্কবনি খল্লবদা
হকচাং তুজুংনবা পোকই—

করি ?
ওইথোক্কবনি হায়বা !
ফজবনা য়েংথিবা করম ওইগদগে হায়বা ?
খঙঙু.
ওইথোক্কবা ওইরবস্সু অওইবনি .
হেলেনগী নিংথিরবী শক্কীদমক ট্রোয় কাইথিবনি
ক্লিওপেট্রাগী ফজবগী মৈরিদা চাকথেকখিত্রবনি মৈরানবী কয়া
সীতাগী ফজবগী মৈরিদা উৎ ওনখিত্রবনি সনাগী লঙ্কা
শাগৈ নাতৈ তুমখিবনি রাবনগী



Scanned with CamScanner

শামু খোঙয়েংথিবা খম্বগী হকচাং
খোইবীগী ফজবগীদমক্তি
সক্রেটিসবু হেমলক পিথকখিবস্মু
মাগী হেন্দোক থোইদোকপা মগুনগীদমক্তি,
সোলঝেনিৎসিন, বোরিস পাস্তারনাইকনা কৈগুমশঙদা লৈখিবা
পিকাসোনা মীচেল ওইহনা পুন্সি লেনখিবা
লোরকানা মীহাৎপগী খুৎতা থরায় থাখিবা
কনাগীদমক্তো ?
মখোয়গী অথোইবা প্রতিভাগীদমক্তি।
কাউগনু,
য়েংলবা থাবলগী ইপোমদতা লৈরাং রাস্থবনি
অয়ুক্কী কোরৌবুতা অমুবা নোংনা কুপশিনবনি
থোংল লৈরাং লৈকাবুতা তীন্‌না চিকথৎপনি,
ফজবগীতা য়েক্নবা লৈবনি
অথোইবগীতা লাম্বা থোরকপনি
অহুননি হায়রিবসে
নঙগী ফজবা নশকতুনা নঙগী য়েক্নবনি
নঙগী হেন্দোক থোইদোকপা নগুনতনা নঙগী খুদোংথীবনি।
নত্তে, অহু ওই হায়হুনস্মু
করিগীস্মু অহুক হাক্না কিক্নগদগে ?
চঙশিল্লকউ ইনাক্তা
নাপচিক্না লৌশিং তাকপিরমগে—
শিদ'লাইরা তম্বীরমগে।
নঙনা মপাল থোকপা খুদিংদা
মীগী মীৎনু চঙদনবা
য়োৎশুবীগী হামূক লাইবক্ত নমহুনা থোকউ

তিল থুই থুই হেক অহুমলক শিংখোকউ।
মন্তাজ মিয়াগী তাবিজ খুৎ ওইদা হেক শিজিল্ল,
মরক মরক্তা শা'জালাল দরগাগী
ঈফুৎকী ঈশিংনা হকচাংদা হেক চাইশিল্ল।
অহুব্, অহুম্ম করি হায়নি—
লাইশ্রম মঙ্গীগী মচল নুপী পিশকতো
মন্তাজ মিয়াগী তাবিজ শিবি হায়
দরগাগী ঈফুৎকী ঈশিংসু তক্তনমক চাইথবী হায়
য়োৎশুবীগী হামুকসু মরাইবক্ত নম্বী হায়—
অহুমক্তদা.
নেমেসিসকী লানফমদা মায়থীবা ফংহুনা
চিত্রগুপ্তগী হালখাতাদা মিং চনথ্রবনি—
কেরনগী তুং ইনবা খোঙমী ওইথ্রবনি।

অহুননি হায়রিবসে—
তাবিজ্ শিরি ঈফুৎকী ঈশিং তক্তনা চাইথরি
য়োৎশুবীগী হামুক তৈরি হায়হুনসু
ইউটোপিয়াগী লমদমদা নিঙাইদনা লৈথোক্কসু।
চ্যেকশিন্না থম্মু নঙগী য়েক্রবহুবু
রাখলগী অমুবা শন্নাংনা পুন্দুনা।
চঙশিল্লকউসে ইনাক্তা
তাকপিরমগেনে নাপচিক্লা—
কাউগনু মতম'পুম্বদা
নঙগী ফজবতনা নঙগী য়েক্রবনি
নঙগী হেন্দোক থোইদোকপা নগুণতনা নঙগী থুদোংথীবনি।

★

# ঐ

ঐদি—

মীওইবা কনামত্তনা খোঙদাত্রিবা

অনোবা লম্বী'মগী লময়াল্লিবা খোঙমীনি

পোইবৈতোনগুম অনোবা লম্‌দা খুন্দারিবা

নত্রগা কলম্বাস ভাস্কোদাগামা হিউ-য়েন-সাঙগুম

অনো মনোবা লম কোয়বা যাত্রিকনি

ঐদি—

'লমদা'গী খা'না শারবা মৈফুগুম্নবা অতিয়াদা

অমুত্রা নোংচুম মচা অমা

নত্রগা

শজিবু থাশিগী ফূইনা হৌরক্লিবা নোংলৈ নুংশিৎকী মুমিদাংদা

মাইকৈ তাকপা নোংথাং কুপ্পাগুম্বনি

কনা মী-না খঙবিদ্রবস্থ

অনোবা কুমওননি ঐ অদে

ঐদি শজিবুনি

তরেৎ শেনজা ফংদ্রবা

চরা লুকোই হেল্লিবা

চরৈ ফি থুংদবস্থ

কনামত্তা চিথদনা মর্ত্যগী মীওই' পুম্বগীদমক

অনোবা পুন্সিগী অনোবা মৈঙাল পুরক্লিবা

স্বর্গগী দেবদূতনি।

★



Scanned with CamScanner

## যাত্রিক

ওস্থোকপনিকো নঙসে।
ঐনা তোয়না তোয়না হায়বমক্তদা
ইংথমফিদি হাপ্পকত্রদ্রুনা
নঙগী নুংশি রাখলতনা উপু থন্না হাপ্পকইবসিবু
পোইনুগী ত্রং ত্রং লাউরবা নুমিদাংশিংসে
খঙনা চান্নবসু লৈত্রবা মীরম্‌লেনসিদা
করম হায়না লেল্লু হায়বগে ?
শা মতুগী ফুরিৎ খোংগ্রাউদো হাপচিল্লকউকো হায়রগা
নঙগী অমুবা শল্লাংতনা লৈতেংঙকইবসিবু—
টুথব্রাশতি হাপ্পকত্রদনা
টুথপেষ্টকী এডভারটাইজতা য়াওবা ফোটোগুম
মুক্তা মানবা নয়াহু উৎথোক্তুনা
নোকমি তৌবা নঙগী ফোটোদো
চ্যেকশিন্না য়োমশিন্দুনা হাপ্পকইবা !
ওস্থোকাপনিদা নঙসে।
নঙগী অমুবা শয়াংসিনা
ইংথম থাগী ঢাকানিদা করি কান্নগদগে ঐডোন্দা ?
শেল থুমসু হাপ্পকতবা।
ব্যাংককী চ্যেকতু হাপ্পকউকো হায়রগা
নঙগী নুংশি চেরাংতনা ময়োম য়োমশিন্দুনা পিরকইবসিবু
করম্বা ব্যাংকননো
নঙগী নুংশিবগী মমল নাইদ্রবা চ্যেক অসে
কায়থোকউ হায়বা য়াগদবা।



Scanned with CamScanner

ঐগী পানগদবা লাইরিকশিংছু হাপচিল্লকউ হায়বসু
সিলেটকী ঐখোয়নীগী স্মৃতি পকপা
অয়ুক নুমিদাংগী রারীতনা ময়োম থল্লা য়োন্নকইবা।
সৈত্য, অঙকপনি নঙসে।
সাম্রাজ্যবাদী শক্তিশিংনা খুদুম চনখ্রবা কলোনীগুম
ঐগী থন্নোয়বসু নঙনা নিংঙাইদনা খুদুম চন্দুনা থম্লি।
মীৎকুপ'মতা থাদে ঐবু নঙগী রাখলগী য়ারেক শান্নীনা
মতম'পুম্বদা ঙাকশেন্দুনতা থম্মি।
অথেংবা অহিং কয়াদা ঐনা লম্মুক্করবা তাঞ্জাদসু
নঙগী নোকমি মায়থোংছুনা হেক্তা লম্বী তাক্লম্মি,
য়েক্ল তিংখংনা থল্লবা লানফমসিবু উক্লবদা
নিংহন্নছুনা তুং হনগে তৌক্লবদসু
মলডনগী অথোবা লুচিংবা ব্রিটনটকী মন্তৌগুম
অনৌবা থৌনা ইহুনগা লোয়ননা

লেপ্লম্বা নঙগী মূর্তিদো হেক উক্লবদা
অমুক খঙহৌদনা খোঙদাখি আপোষ লৈত্রবা লানফম তম্না।
খঙদে, করম্বা মায়ানা শুক্মৎখ্রবনো নঙনা।
ইংথমফি, শেলথুম, লাইরিক লাইশু করিমত্তা য়াওদনা
নঙগী রাখলতনা য়োল্লবা পোৎয়োম'সিদবু চেজেৎ কোম্দুনা
লেপ্তুমথৈ চৎলি ঐদি ইংথম থাগী ঢাকাগী লম্বীসিদা
মশক খঙদ্রবা অনৌবা করিগুম্বা'মবু ঈখৌলাংবগী লাংতক্লবগা লোয়ননা
খঙঙমদ্রবা পম্থংফম পাংনা।

★

# খোর্জৈ

হে খোর্জৈ,
নঙদি
অরানবগী মায়োক্তা
অচুম্বগী লানফমদা
পাউনাগুম্না খোঙফম চেৎলিবা
অথৌবা কবিশিংগী খুৎতা
মেহেদীগী কাবাক থাঙনি।

হে খোর্জৈ.
নরৈ অনী লোঙলবস্তু
নঙদি কৈদৌঙৈদস্তু পুক্নিং অনী লোঙখিদ্রবনি।
থবায় যাওদ্রবস্থ— মীরোলমক থোক্লবস্থ
হে খোর্জৈ
নঙদি থন্নোয়দগী শিন্থরকপা ঈরিকতনা
মরীক চুম্না চিংনদনা ইরমতুনা চৎখ্রবনি
মীওইবগী ইতিহাস।

অতৈব মৈতৈ কবিশিংগী খুৎতা লৈতেংলিবা হে খোর্জৈ,
নঙদি করিগী পৃথিবীগী ইচেলসিবু তুংওইননা
তুমখুন তাল্লি লোল থোক্তবগী ইরোম্লংদা—
করিগী কাউথোক্লি নশাগী ওইবা শক্তম্ব ?
হে খোর্জৈ.
কয়ানি নঙ তুমহুনা লৈখিগনি—
লৈখিগনি লোন থোক্তনা— মীগী মীথা পোন্দুনা।

কয়ানিনো নওনা তাউহুনা লৈখিগদৌরিবা
কান্নদ্রবা মঙলানচাদা ?

মঙলানচা নত্তে—
লোন থোক্তবমথৈ তূমহুনা লৈবস্ন নত্তে
হে খোর্জৈ,
লালহৌ—লালহৌনি ঙসিদি
সমাজকী অপূম্ন অপৎকী মায়োক্তা
মশোয়বা অবানবগী মথক্তা ;
লালহৌনি—
মীকুপ খুদিংদা লন্নাই কান্নবগী কাবাক থাঙনা
মীয়ামগী স্বার্থব বলি তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা ;
লালহৌ হৌদি ঙসিদি হে খোর্জৈ,
অমম্বগী মায়োক্তা
অনৌবা অয়ুকী অনৌবা কোরৌবু ঈথৌ লাংহুনা।

★

( সুকান্তগী 'কলম' কবিতা পারুবদা )

# ঐগী মীৎকী লৈ-না

হন্দক মরকসি ঐগী মীৎকী অনৌবা লৈ-না অমা ফাওরক্লে
ডাক্তারনসু য়েংবা ঙমদ্রবা— হিদাকনসু ফবা য়াদ্রবা !
করিগীনো খঙদে,
ঐগী নুংশিবীবু নুংশিনা হেক য়েংঙ্খ্রবদা
নহান্না মেডিকেল কলেজগী একজিবিশনদা উৎখিবা
মকি মরোল য়াওদ্রবা শরূ শয়াংতগী মীদো ওইনা হেক্তা উই,
শরৎকী পূর্ণিমানি হায়না য়েংঙ্খ্রগা,
বিং বিৎ লাউবা অপাৎপা হেক্তা ওইরমই।
মীনদি গোলাপ নিহায়নৈ
অচুব ঐনা য়েংঙ্খ্রবদি হেক্তা
হৌজিক্তা শেম্বা ফোং ফোং শাবা শাহুম ওইরমই।
শংবানবা অতিয়াসু
ঐগী মীৎতদি ঈ-গী সমক্র ওইখি,
নিংথিজরবা প্রকৃতি
ঐনা হেক য়েংঙবদ খাণ্ডবকী লমমৈ ওনখি।
করম্বা মীৎকী লৈ-নানো খঙদে
মালেমসিগী মীওই'পূম্বা ঐগী মীৎতদি
অমনা অমগী ঈথেং ঈরিক থকইবা
ছিন্নমস্তাঙাক ওইখি।

নত্ত্রে, অসিবু মীৎকী লৈ-নামক্লা ?
নত্রগা, অনৌবা ফজবা শেম্নগীদমক্তা
ঙসিগী অমনবা অপৎপবু মাঙহনবগী
মহাপ্রলয় হায়বত্র য়োরক্লবা জাৎলা ?

☆

## মঙ মঙসি মঙ

মঙ মঙসি মঙ
ফজবা মঙ
নুংঙাইবা মঙ
চরা হেল্লবস্থু চেঙ লৈতহ্নুনা।
মঙ মঙসি মঙ
হরাও নুংঙাইগী
জগোই ঈশৈগী
খোল থোক্লবস্থু অরাম খৌরাংবনা।
মঙ মঙসি মঙ
মৈঙাল অমগী
অনৌবা অয়ুক্কী
কৃপশিল্লবস্থু ৱাখলগী অতিয়া থাগম্লবা অহিংনা।
মঙ মঙসি মঙ
'নীঙ'খা তম্বগী
নিংথৌ ওইবগী
পল্লবস্থু মায়কৈ মরিদা মীখা পোনবগী য়োহিল্লংনা।
ফনা অপল অথিং লৈরবস্থু
ৱাখলগীদি 'ট্যাক্স' পানবা ঙমদবনিনা
খন্নি'বতা খলহৌসি
মঙনিংবতা মঙহৌসি
মঙ মঙসি মঙ।

★

## কবিতা অমত্তা ইগে হোৎনরুবদা

কবিতা'মত্তং ইগে হোৎনজরুবদা
কোক উরু উরু লৈবমখৈ
হিউ-য়েন-সাঙ্গুম কোয়না কোয়না চৎখি
অয়ুক নুংথিল খাইদনা
চীং-তম-পাৎ সমক্রু খাকতনা
অফা-ফত্তা, অৱা নুংঙাই অমত্তা থিদনা—
অদুবু হৌজিক ফাউবদা পামজবা কবিতা'দুদি ইদ্রি।
চৎনা—
  চৎনা—
    চৎনা—
ৱাহৈগী শাদানবা ঐনা
ঐগী অমত্তা ঙাইজবা খোর্জৈগী গাণ্ডীবদগী
কাপথোকখি 'শব্দভেদী' তেন,
ফারকখি ৱাহৈগী শা
লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইদুনা
আফ্রিকাগী শোংলবা উমংদগী
ইয়োরোপ, আমেরিকা, এশিয়াগী
    চীং-তম-পাৎ মপান্দগী।
অদুবু থোরক্লিবা ৱারোল কয়াদুনা
কবিতাদি ওইদদুনা
মঙলাকুরবা মীগী মরোল থোক্লবা
    চোইরোলঙাক ওইখি।
অদুমক্তদা ঐগী খোঙচৎতি লেপত্রি।
কনানা খঙভি
হোৎনা কনবদগী নোংমদি ঐস্নু
মীহাৎপা রত্নাকরদগী ঋষি বাল্মীকী ওইথিবস্নু ৱাই।

☆



Scanned with CamScanner

## হো নোং চুথরকলো

নোং - হো নোং
কয়ানিনো নঙনা মংনা লৈখিগদবা
চুথরকলো
হো নোং চুথরকলো

চোৎলদনু
মতম কয়া চুপ্পা লৌশীং ওারক্লবা লৌপাক'পুম্বা
কংলবা লৈকংলা,
হুল্লক্লসনু মফমহুদা অনৌবা য়েন্নিং
চুয়সনু থৱায়গী মহৈ মরোং

নোং—হো নোং
চুথরকলো
চুথরকলো
হো নোং চুথরকলো।

★

# লিখ্বৎচরি ঐনা কবিতাগী লৈকোল

মুমিৎচুপ্পা'মা লমকোয়রুবগী 'তুংদা
কুমগী নোংহৌগুম অমম্বা নুমিদাংনা
অমুবা মুখলনা মায়কৈ'পূম্বা কূপশিল্লক্রবদা
থেগুল্লবা অচিংদা অথাপ্পদগী খোঙলকপা
মকুগী মিরবা খো'ঙ্গেলগুম
ঐগী নিংশিংবগী মকশিল্লবা নুমিদাং মাইরমদা
ফাওরকথি নঙগী লাংশিল্লবা মায়থোং।
নুমিদাংনা ঈচিক হুল্লকত্রবদা
নঙদি চোকথরবা শাখপতা নোংইনগুম কোইপাই পাইন্নি
মঙলানগী মাটজনরবা পৃথিবীদা।
ঐনা পোদোনগী মৈরা থান্দুনা
চ্যেকশিল্লবা 'আবকিটেক্ট' গুম্না
মায়েক্কী অঙৌবা নং মপৈ মপৈ পৈশিন্দুনা
থরায় যাওনা লিঙ্গাংলি কবিতাগী মচু নাইরবা ফুরা—
শেমগৎলি সাহিত্যগী 'নন্দন কানন'।
মরমদি—
ঐনা চেংনা থাজে
কবিতাগী ঈচং থৌরবা লান্নী অমম্মন্না
মীৎকপ'মদা পৃথিবী থুংনা কোয়রুহ্ননা
অপাম্বা মফমদা লান্দাবা ঙম্বা 'মিসাইল'বুম্ন
মায়থীহনবা ঙম্মি—
সাহিত্যগী ইপোম অমম্মন্না
নিংতম্বগী পাউজেল পুবা প্রমিথিউস ওইবা ঙম্মি।
অদো, ঐতম্ কবি হায়নি
মিকপ পোক্রবা মীওইবা কনাদি খঙদবগে—
সাহিত্যগী চ্যেকশিল্লবা লৈকোলদতা শাৎপনি
নিংতম্বগী তাঙলবা লৈরাং।

*

# থোঙশাল্লি নোংপোক চীংখোঙ তন্না

থাশিগী মন্নবা অহিং করাবু লান্ হুনা
থানিলগী পামজরবা মঙালগী অহিং তন্না
খোঙশানবগী শাংলবা লম্বীহুবু,
নত্রগা
নোংচুপ চীংখোঙগী পাক্লবা সমক্রদা
লুপথ্রবা নুমিদাং বাইরমগী কোরৌনা
চীং-তম সমক্রু কয়া লান্দুনা
নোংপোক চীংখোঙ তন্না খোঙশানবহুবু

নিঙতম লাননি হায়বা খঙঙম্নবদি,

ইংথম থাগী খারবা উল্লেন অহিং করাবু
থৌওইদনা মায়োক য়াহুনা পোমশাৎনরকপা
অঙাঙবা গোলাপ অহুবু
নত্রগা
কল্লবা নুংগাই-চেগাই মরক্তা বানা
মঙকাংলিখৎচরকপী লৈবাকলৈ'হুবু

নিঙতম লৈরাংনি হায়বা খঙঙরবদি

ঙসি ঐগী থম্মোয়
কৈদৌনুংদসু অমম্বা লৈচীলনা কুপহৎলল্লোয়দবনি।

অহুবু করিগীসু নিংহন্নরুগনি ?

মুঙিৎ থাদি হুইনা চাখিদ্রিদনা !
মহৌশা লাইরেম্বীগী শংবাননবা লৈকোলদা
শাৎলিদনা হৌজিকসু মচু মচুগী লৈরাং কয়া
উমং-ম্রামং, চীং-তম কয়াদা উচেক য়াম্না কয়ানা
শক্লিদনা হৌজিকসু পুন্সিগী শৈশক কয়া
চেপ্লিদনা শিংলিশিংদা পাথৌশিংগী ঈথেং ঈরিক্ষশিংদো।

ঐগী থম্মোয়গী শংবাননবা অতিয়াদা
নোংশুক নোংফাইহল্লিবা লৈচীলগী মপৈ কয়াশিন্থ
অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমনা হুমরোকখিহুনা
নোংপোক চীংখোঙদা থোরকপা য়াইরনা নোংমদি
পুন্সিগী অনৌবা কোরৌ।

থাজবা অসিতবু থম্মোয় মুংদা চেংনা কোনশিঞহুনা
নিংহন্নবা লৈতনা নোংচুপ সমক্রুগী তোর্ববান্দগী
খোঙশাল্লি ঐনা নোংপোক চীংখোঙ তন্না।

## নঙগীদমক্তনি ঐগী কবিতা পুন্নমক

নঙনদি খঙবীরমদবস্থ য়াই
অহৱু ঐগী কবিতা পুন্নমক্তি নঙগীদমক্তনি।
নঙনা লৈ য়ায়া পাম্মি তাবদা
ঐনা পৃথিবীগী মফম কয়া কয়া কোয়রুছনা
মী-না কা'ঙমদ্রবা চীঙ-মান কয়া কারুছনা
মীওইবনা কুমঙমদ্রবা সমদ্রু-পাৎ কয়া কুম্মুছনা
থিজরকখি লৈশক লৈচু কয়াগী লৈরাং মখল কয়া।
ঐনা পুজরকখি
অমরাবতীগী পারিজাত
আফ্রিকাদগী কৃষ্ণচূড়া
ইয়োরোপকী ডালিয়া, ড্যাফোডিল, ডায়ান্থাস
বোগেনভিলিয়াগী চবোং
সোভিয়েতকী নুমিৎলৈ
বাংলাগী থরো থম্বাল থারিকথু।
অপাম্বা চীংগী ইঙেলৈ
কাপ্পি কোন্নংগী লৈহাউ লৈরেন —
শেমগৎচখি ঐগী কবিতাগী লৈকোল।
নঙনা কৈদৌঙৈদস্থ পাবিরমদবা য়াই
অহৱ ঐগী কবিতা পুন্নমক্তি নঙগীদমক্তনি।
নঙনা পেন্নবগীদমক্তা
ঐনা ঐগী কবিতাগী অতিয়াবু ওলহনখি মাতিস অতিয়া
কবিতাগী রায়েকশিংবনা স্বর্গগী অপ্সরী - কিন্নরী
ঐগী কবিতাগী ছন্দনা
পদ্মাগী ঈপাকথক্তা
'শহীদ বেলায়েত' কী উঙলিবা প্রোপেলারগী তুং ইন্দুনা



Scanned with CamScanner

চোকথত্রবা শাখগতা পায়হৌবা
জগোয়শাবী সমত্র ঙা-লাফপীশিং।
অতুগা ঐগী থম্মোয়দি তাঙ্গাহুদা
মম্লবা অহিংদা পম্লাগী কল্লবা ঈপোমলতা
লুপ্প্রি লুম্লিরিবা হিনাঙগুম
নঙগী থম্মোয়গী পিক্লবা উতোংগী ?মরাম। লমজিংহুনা
পম্থুংফম থঙদনা তাউরি।
নঙনা খঙবীরমদবসু য়াই
অতুবু ঐগী কবিতা পুন্নমক্তি নঙগীদমক্তনি।
নঙনা কৈদৌঙৈদসু তাবিরমদবা য়াই
অতুব ঐগী কবিতাগী থম্মোয়দা ফুমলিবা খোল্লাউদি
নঙগী নুংশিবগী পাক্লবা সমত্রুগী ঈরাউখোলনি।
বিস্তভিয়াস-ফ্লিয়ামাগী অহিঙবা চারোল-শুরোল
ঐগী কবিতাগী থম্মোয়দা হোল্লিবা শারবা নুংশাশোর
ৱাখলদা চেল্লিবা মতম'পুম্বদা পোকথাইনীংবগী ঈচেল
অসি পুম্নমক
নঙগী নুংশিবগী মৈরি ফনা চাক্লিবা লমমৈগী মহৈ ওাক্লি।
নঙনা থৌশাবিরমদবসু য়াই
অতুব ঐগী কবিতা পুন্নমক্তি নঙগীদমক্তনি।

অতুদগী
নুমিদাং ৱাইগী ৱাউজুনরবা অত্তিয়াদা
নঙনা মাঙদা চপ লেপ্পরবদা
ঐগী কবিতাগী সমত্র ঈরাউখোল
থম্মোয়'নুংগী নুংশোশোর
কবিতা লৈকোলগী লৈরাং লৈনম
পাক্লবা মাতিস অতিয়া
পুন্নমক স্বরস্বতীগী ঈচেল ওইদুনা
তিনখি নঙগী নিংথিজরবা মিৎলু অনীগী
শংবানরবা ত্রিবেনী ঈথৎকুদা।



Scanned with CamScanner

## নাপল

নাপল - য়াম্না হুন্নঙাইনি।
নাপল তৌবা হায়বসি য়াম্না ফত্তবনি।
অহুবূ করি করিগুম্বা মরমদদি
নাপল হায়বসি তৌফম থোকপনি।
অহুনা, ঐস্থু নাপল তৌই।
ঐগীদি নাপল্লিবা খোল্লাওনি—
ঐ মীওইবনি—
ঐসে মৈতৈ মচা অমনি।

## উমং অপে ঙাল্লসনু

খরনিগী মমাঙ ফাওবদা অশুম তৌরমদবনি
হৌভিক্তি ময়' শুক্রবা উমংতনা
মায়কৈ মরিদগী ঐবু তপ্পা তপ্পা উমশিল্লক্লি য়াম্নগুম
উমংগী লোন থঙদে ঐদি
মাগী লূম্নব' মনিল - ম্নশুক মূরবা য়াহৈগী পরেংশিং
ঐবু তত্তনা নিংশিংহল্লি
লোইবা নাইত্রবা থা মাপলগী ময়'মূরবা অহিংশিংদু
ঙকচানখি ঐ—চময়খি ইদোমতা
থম্মোয়'ম্নংগী অঙকপা অমম্ভং অরাবা য়াখল'মনা
লোন থোকহনখিদে ঐবু

ঈশ্বর

নঙদি ঐগী থম্মোয়দা তত্তনা চুখৎলিবনি য়াখলগী মৈরি
নঙদি নঙগী তাঙলবা মঙালগী থোরবা কাবাক থাংনা
তত্তনা বল্লি তৌরিবনি ঐগী থম্মোয়বু কুপহৎলিবা
নাপলগী অম্নম্বা লৈচীল অন্থুবু

অন্থুনা হে ঈশ্বর
ঐনা পামজবদি
নঙগী মঙালগী মরীক অমম্ভং খিকপিরকপা অমুক্তং
উমংগী শুক্রা ময়বা থম্মোয়গী লোক্লুং'সিদা
মন্থুদগী
মৈরিক অন্থ অমুক্তং শক্তম লোয়কসনু পাক্ল' লমমৈ'মগী
অমুক্তংদি উমং অপে ঙাল্লসনু মঙাল অনুদা



Scanned with CamScanner

# ঐগী পৃথিবী

ঐগী ৱাখলগী অতিয়ানা
নোংমা নোংমগী পাকথোক্লকপগা লোয়ননা
পিকশিন্লকখি ঐগী পৃথিবীগী ত্রুভমখৈ।

ঐগী পল্লেম পম্থোগী মীৎকুপ'মগী মঙলানন।
তাইবঙ শক্তম লোম্নুনা
পৃথিবীগী ঈশিং নুংশিৎকী সমত্রুদা
অ্যাংবা অংগুবা ঐনা চোংথোরকপা মীৎকুপ্তুদগী
ঐনা ঐগী পৃথিবীসিবু
চরান্নবা কৈজাও অমগুম্না উখি—
লাওরবা ময়া অহু কাথোক্লহুনা
মানা নোংমা নোংমগী য়োংপা হৌরকখি
অচুম্বা ফজবা নিংথিবা—অসিগুম্নবা জীবশিং'সিবু।

ঐগী পৃথিবীদা ভসিদি ঈশ্বর লৈত্রে!
অচুম্বা-থাজবা—অপঙবগী মঙলাননি,
(মরমদি—অপঙবনতা থাজবনি)
ফজবা নিংথিবা—নৈকংলাগী মিত্রংগী মৈঙালনি,
(ফজবা—পৃথিবীদগী মাঙখ্রবা শক্তম্বনি)
মঙাল'মগীদমক অমম্বদগী লাকপা ঐসে
চোংথরবনি অমুক অমম্বগী শুক্লবা লোক্লুং'মদা।

ঐদি ঈশ্বর নিঙদ্রে—
মরমদি—হৌজিকী ঈশ্বরদি



Scanned with CamScanner

অমম্বনু কিচুনা মনিংথোংলোমদা চেল্লবনি,
গোল্লাপপু খোল্লাংদ্রে—
ঐদি থওডি, গোলাপকী ফজবগী মরুমদা
ভীন লৈ -লৈ নুংশিহৈত্রবা ভিংখং
ফজরবা শরৎকী থানিলবুসু য়েংদ্রে ঐদি
মরমদি—থাজগী মেংলবা মণ্ডালগী মরুমদা
মাইহীংগী অমকপা লৈ হায়বসু থওডি।
ঐনা পামজবদি নুংশিবনি,
পিবিয়ুবা ঐঙোন্দা কনাগুম্বনা মরীক'মত্তা নুংশিবগী।

নুংশিবীগী মাইথোংগী শমক্রু'মগীদমক
থৈয়ামনা সমরকন্দ-বোখারা পিথোকপগুম
ঐসু নুংশিবা মরীক'মগীদমক নিংঙাইদনা পিথোকচগে
ঐগী সাম্রাজ্যগী তঙথাই অমা,
নত্তে, মচুতসু নত্তে
স্বর্গ, মর্ত্ত্য, পাতাল—
ঐগী পৃথিবী,
অপুনবা বিশ্ববুসু থৌশাদনা পিথোক্লমগে
নুংশিবা মরীক'মত্তগীদমক।

পিবিয়ুবা ঐঙোন্দা কনানো মরীক'মত্তং নুংশিবগী।